


## ককচিংগী শিজ সিটি দেন্টেল হোস্পিটালগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ফ্রী হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

**: (ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস**

ককচিং চুম্নাম লৈকায়দা লৈবা শিজ সিটি দেন্টেল হোস্পিটাল অহানবা মপোক কুমওন থৌরমগা ইরোয়ননা মালেমগী হকশেলগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্তুনা হোস্পিটাল অসিদা ফ্রী হেল্থ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।



লাঙ্গোলদা লৈবা শিজ হোস্পিটালগী সুপর ডাক্তর ৬ অমদি শিজ সিটি দেন্টেল হোস্পিটালগী ডাক্তর ৮ না ঙসি পাঙথোকখিবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অসিদা য়া, মীৎ, নাকোং, নাতোন, খনাও, শরু, উনসা অমসুং প্লাষ্টিক সর্জরিগী ওইবা খুদোংচাবশিং লেম্না ফংহনখি। কেম্প অসিদা পুন্না মীওই ৪৫০ রোমদা অনা-লায়েং চথুখি। থৌরমগা মরী লৈননা শিজ-হোস্পিটালগী চিফ মেনেজিং দাইরেক্টর ডা. পালিন খুন্দোংবমনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি ৱর্ল্ড হেল্থ দেগী নুমিৎ অসিদা ডা. মেনন য়াম্বেম অমদি মহাক্কী টিমনা কখোকপগা লোয়ননা মণিপুরগী খা মায়কৈ সোমদা অনা-লায়েংগী লমদা খুমাঙ চাওশিন্না হোৎনরম্লিবসি উবদা অপেনবা পোকই।

খোয়না হীরম অমদা মায়ঐ পাক্কে হায়রবদি অচুম্বা খোঙথাং অমদগী লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা খোঙ থাংজিনবা চংই। মতমদু খক্তদা ঐখোয়না মায় পাকপা ঙমগনি। শিজ হোস্পিটাল অসি হৌরকপদা ফার্মাসি অমদা শৈদাংদুনা লৈরমখি। অদুবু হোৎনবগী মতুং ইন্না ঙসিদি সুপর স্পিসিয়েলিটি হোস্পিটাল অমা ওইবদা নত্তনা মেদিকেল কোলেজ, নর্সি একাদমিনচিংবা মায় পাক্লা লিংখৎপা ঙম্লে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা, খা মায়কৈগী ওইনা হৌজিক হাংদোক্লিবা শিজ সিটি দেন্টেল হোস্পিটাল অসিদা মখা তাবা ফেসিলিটিশিং পীনবা থৌরাং তৌরি। তঙাইফদবা খুদক্কী ওইবা মাইনর ওপরেশন থিয়েটর ফাওবা থম্নবা খন্নবা লৈরে। অদুগা ইম্ফাল য়ৌদবা য়াদবা, লাঙ্গোলগী হোস্পিটাল অসি য়ৌদবগী তঙাইফদবা য়াওরক্লবসু ট্রান্সপোর্টেশন ফাওবা লেম্না পীনবগী থৌরাং তৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ভি এল এফ কী জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোকখ্রে

**: (ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস**

মণিপুর ষ্টেট লাইফলিহুদ মীশন, দিপার্টমেন্ট ওফ রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ গী মখাদা শেমখিবা মঙাললৈবী ভিলেজ লেভেল ফেদরেশন (ভি এল এফ) উৎলৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী অনীশুবা জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা মপোক কুমওন থৌরমসু পাঙথোকখ্রে।

উৎলৌদা ভি এল এফ কী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরমসিদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট এন বিনাসখি, সেক্রেটরি এস রানিবলা, উৎলৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী উপা প্রধান এল ইঙোচা, মেম্বর টি ঐচ সুর্জিৎ অমদি ব্লোক ইনচার্জ কেএসঐচ অভিজিৎনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ল বিনাশখিনা থৌরমগা মরীএ লৈননা ফোঙদোকখিবদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মেম্বরশিংনা ভি এল এফ শেল্লবা মতুংদা মশা মশাগী ইমুং-মনুংগী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা অহোংবা পুরকপা ঙল্লিবসি মেম্বরশিংনা থম্মোয় শেংনা হোৎনবগী মহয়নি। মখা তানা লুপ অসিগী মেম্বরশিংনা হিংবা ঙম্নবা অমদি ইমুং-মনুংগী শেন্মীৎলোন চাওখৎনবা হোৎনবদা নত্তনা লুপ অসি চাওখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

## দিলিমিটেশন মতম চাদ্রি হায়না ৱারেপ্নখ্রে

**: (ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস**

ঙরাং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) বিষ্ণুপুর লোকেল কাউন্সিলগী ৪৮ শুবা কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে হায়না কোম্বৌজম লোকেল কাউন্সিলগী সেক্রেটরি য়াইস্কুল লাকপা আর কেগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কনফরেন্স অসিদা দিলিমিটেশনগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনরদুনা মণিপুরদা দিলিমিটেশনগী মতম চাদ্রি হায়না মীফম অদুনা ৱারেপ্নখ্রে হায়রি।

কনফরেন্স অসিদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি কুমজা ২০২১ গী অরানবা সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইদুনা দিলিমিটেশন তৌবা য়ারোই, বিষ্ণুপুর এ সীগী লৌমীশিংনা চহী চুপ্পা মনা-মশিং পুথোক্তুনা লমদম অসি চীঙ্গাক্তা মীপাল তাংদনবা হোৎনরিবসিদা লৌমীশিং অসিনা পুথোক্লিবা মনা-মশিং থম্ফম লৈতবনা পৎ-পুমদুনা মাংলিবসি মখা তানা মাংহন্দনবা লৈঙাক্না মফম চাবা য়েংদুনা কোল্ড ষ্টোরেজ অমা শানবা মীৎয়েং চংহন্নবগী ৱারেপ লৌখি।

পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অসিদা লোকেল কাউন্সিল অসিগী মথং টর্মগী মীওই ১৭ না শাবা কাউন্সিল অমসু শেমখি অমদি য়াইস্কুল লাকপবু কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ওইনা খনখি হায়রি।




## থৌবালদা মৈগী ফীভম ফংত্রে

**: (ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস**

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মীয়ামদা পৱার সপ্লাই পীরিবা থৌবাল খুনৌগী ৪০০ কেভি পৱার সব-ষ্টেসননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মপম শিনবা থুংনা পীরিবা মৈ অসি অসুক্কী মতিক চাং নাইদবা মরমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম খম থেংনা অৱাবা মায়োক্নরে।

ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্টস রুল লাকপদগী মীয়ামগী মৈগী ফীভম হেন্না ফৱগনি হায়না মীয়াম্না থাজনরম্বা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা মৈ অসি নোংমদা মশিং খঙদনা মুৎপা মরম্না মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহল্লকপনি। মৈ মুখৎলিবা অসি মরী লৈনবা ষ্টাফশিংদা হংলুবা মতমদসু ষ্টেট লোদ দিস্পাচ সেন্টরদগী মৈ থারক্তবনি হায়না পাউখুম পীরকখি। থৌবাল খুন্নৌদা লৈরিবা ৪০০ কেভি সব-ষ্টেসনগী মৈ অসিদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী থৌবাল, হৈরোক, ৱাংজিং, খোংজোম, মোইরাং পলি, য়াইরিপোক অমসুং লৈশাংথেমগী ৩৩/১১ কেভিদা য়েম্বোরক্লগা মাগী মাগী কঞ্জুমরশিংদা মৈ ফংহনবনি। ৪০০ কেভিসব-ষ্টেসনদা মৈ ফংদবগী মরম হংলুবদসু পৱার সপ্লাই তৌরিবা পেনেল চাকপদগীনি হায়না পাউদল্লকখি। অমরোমদা ৪০০ কেজি সব-ষ্টেসন অসিদা পেনেল চাল্লবসু কোংবদা লৈবা পৱার সব-ষ্টেসন অসিদা ষ্টেন্দবাই ওইনা হান্নদগী অরিবা ওইনা ১৩২/৩৩ কেভিপৱার সব-ষ্টেসন অমসু লৈরিবনি অদুনা মৈ থারকফম থোকপনি হায়রি।

## ঈরাক্লখিবা মীওই শিনা ফংলে

**: (ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস**

হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুগা দামদা নহা ১ ইরাক্লবদগী লৈখিদ্রে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুগা দামদা নহা অমা ইরাক্লবদগী থীবা খঙদনা লৈখি। ঙসি অয়ুক পুং ১০.২০ লোম তাবা মতমদা চুড়াচান্দপুর পুলিস, ফিলন্ত্রোপিক অমদি ফায়র সার্ভিসকী কাংবু য়াওনা খুগা দামদা থীবদা ঈরাক্লবদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু শিনা ফংখি। মহাক্কী মমিং লেনচিংনসাং তাওথাং (১৭) অপোকপা সৈখোহাও তাওথাং কৌই। ভিজাং ভিলেজ দগীনি হায়রি।

